Friday, September 12, 2025, Imphal

HUEIYEN LANPAO

## তাঙনা ফংবা তাঞ্জানি

### ফরক তৌরকখিনু, তাঞ্জা-মেঞ্জা খঙউ

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং সেপ্টেম্বর ১৩, ২০২৫দা মণিপুরদা লাক্কনি হায়নরক্লিবা ৱাফমসিনা করিগুম্বা অচুম্বা ওইরক্তুনা শোয়দনা লাক্লবদি মণিপুরগী মীয়াম, মরু ওইনা লান নংলক্লিবা মীতৈশিংনা কৈদৌহৌগদগে, করি হায়জহৌগদগে নৎত্রগা তকশিনহৌগদগে? হোয়, য়ূম-কৈ য়াওনা লন-থুম কয়া'মা উৎকী মপৈ ওইনা তুমহনখ্রে, লানফমশিংদগী ঈখেং চোংদুনা ঙাংশঙ-ঙাংনা পুল্লুপ লুপ্লুরে হায়বসিবুদি চুম্মী। মরল-মথুম য়ূমতাক-কৈতাকহল্লবা অমসুং মশাদা চোংবা ঈ কোক্ত্রিবা মীয়ামগী মচিন্দগীদি লৈশি-লৈথোনবা অমসুং থোৎ মেঙনা নুংশিরবা য়াৱা খোঞ্জেলশিং থোরক্কদবদি মান্দ্রে অমসুং থাজদ্রে। অদুবু লৈবাকসিদা চৎনরক্লিবা লৈঙাক্লোনসিগী মতুংইন্নদি প্রাইম মিনিষ্টরনা নিংথৌনি। মহাক অমসুং মহাক্কী লৈঙাক্না তৌগেদা ঙমদবা লৈতে। সনা থোকহনগে থোকহনবা ঙম্মী, লুপা থোকহনগে থোকহনবা ঙম্মী। হায়বদি তৌগেদা তৌবা ঙমদবা লৈতবা মহাক লাকপদা মণিপুরগীদমক তৌহল্লমগদবা তঙাইফদবা থবকশিংসি করি-করিনো হায়বনি। মসিগী মতাংদা মীয়ামগীনি হায়দুনা লৈরিবা লূপশিংনসু শোয়দনা থৌরাং তৌনরমগনি থাজে। মঙোন্দা হায়জ-নোঞ্জদুনা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়জগদবা ৱাফমশিংদি ওন্থোক্না য়ামখ্রে। চহী ২ হেন্না থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং মনম-মনম থোকখ্রবনিনা মণিপুরগী ফিভমদি ইনাক খুনবা ১০না লায়রবা অমা শৌগৎপা ঙমদে হায়বদুগী ফীভমদুমক ওইরক্লিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লাক্লবদি য়ূমদা লাকপা 'অতিথি' ওইরগদবনিনা হরাও-হরাও তৌবীগদবনি অমসুং মীয়োক-মীচান ফজবা মণিপুরগী হৌন-লোনচৎ উৎকদবনি হায়বগী ৱাফমদি কলমসিদা মাঙজৌননা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। হায়বদি অহিং য়ারেক্লমদনা মহাক্না পুং খরখক্কী ওইনা লাক্কেরা, মিজোরামদগী গুৱাহাটি চৎপগী লম্বীদা ঙাইহাক লমদনলম্বা ওইগেরা মদ্বাইদা করিসু থোইদোক্তে। লানসি হৌরকখিবদগী লৈরমখিবা ষ্টেট লৈঙাক লুচিংলম্বা নিপাদু য়াওনা মহাক্কী এম এল এ/মিনিষ্টর অমত্তনা, ওপোজিশনগী মায়কৈদগীসু য়াওনা মীয়ামগী লূপ অমত্তগা মণিপুরগী লানসিগী মতাংদা ৱাংলেন মিৎকুপ অমত্তা ফাওবগী মতমদা উন্নজবা অমসুং পুকমেন-পাওমেন্নজবা ফংলত্ত্রিবনি। মহাক্না মশামক লাক্তুনা 'শয়ঙ' ওইনা মণিপুরগী লৈমায়দা লেপ্লদুনা সেগা-মাইগা হায়দুনা তিক্ল-তান্নবসু তৌখিদ্রবনি। লাকহন্নীংবা তাঞ্জা কয়াদা লাকপীনবা লাই কোটি ৩৩ শোনবগুম্না হায়রকখিবদা ফাওবা খোঙদোইরকখিদ্রবনি। মরম অসিনা হয়েং করিগুম্বা মহাক্না শোয়দনা সনা খোঙলেকপদবু করিগীদমক তাথী-তাওইনা তৌগদোইনো? তৌফম থোক্তে। মসিগী মহুৎতা মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বা কোকথোং অমা লৈরবসু খরা মখৈদি লৈখাই তাহৌনবা হোৎনহৌগদবনি। ৱাফমসি চুম্লবনি।

মরমশিং অসিনা হৌজিক মহাক্না মহাক্কী খোঙচৎসিদা ঙানি-ঈশিংনি হায়দুনা নাখৈ শেংহৌগদবসি লানসি মখা তানা চত্থরক্লোইদবা ফীভমদা মতম চূপ্পগী ওইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা মণিপুরগী মীয়ামদা খূৎশিন্নবিরম্বনি। মতাংসিদা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' নৎত্রগা 'য়ুনিয়ন টেরিটরি' গী ৱাফম নাওচেন্নরিবনিনা মসিগী মতাংদা নাখৈ শেংবা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লমগদবনি। মহাক্কী মচিন্দগী কাঙথোক-ফোঙদোক্লগ্লোইদবা ওইরবসু শোয়দনা ৱাফমসিদা মচিন কাঙহল্লমগদবনি। মসিগীদমক খূকউ শেলহৌবা চুমগনি। তমথীরবা লানসি মখা শাংথহল্লক্লরোই হায়বগী মতাংদা মতম চূপ্পগী ওইনা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লম্লবদি ষ্টেট অমসুং নেশনল হায়ৱেশিংদা চঙন-থোক্না য়ারক্ত্রিবশিংসি য়ারগদোইনি। রেদ অমসুং বফর জোনশিং লৈররোই। খুদক্তা য়ূম-কৈ শাগৎপা নংদ্রবসু পাকখনদা খল্লবসু রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবশিং মশাগী মরমদা হঞ্জিনবা য়ারক্কদোইনি। ঈং-তপ্পা লৈরক্তুনা মহৌশাগী ফীভমদা চপ-চানা হঞ্জিল্লক্কদোইনি। ফীভমসিবু ওইরক্লবদি মণিপুরগীদি ৱা পূল্লোই লোইরে। চহী অনী মখায়রোমদা হীরম খুদিংমক্তা পুখ-শোত্থখিবশিংদু তপ্না-তপ্না খূৎফম হঞ্জিন্নবা হোৎনরগদবনি। মরম অসিনা মীয়াম, মীয়ামগী লূপশিং অমসুং মীহুৎশিংনা ফীভমসি তাহল্লক্নবা অমত্তা ওইমিন্নরগা খূৎশম্নদুনা হোৎনমিন্নহৌগদবনি। নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎসিগী মনুং চন্না কংলা মনুং অমসুং চুড়াচান্দপুরগী তুইবোংদা লৈবা পীস গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদবা মীফমশিংদা ৱা ঙাঙলম্নবগী থৌরাংদি তৌরে। লুপা ক্রোর কয়াগী অনৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শঙ্গারম্নবা অমসুং উরেপ তল্লম্নবা থৌরাংশিংসু নীংথিজনা পায়খৎলে, থৌরাং তৌরে। হৌনবিনি, দেল্লীগী লুচিংবশিংগী তাঙনা থোকপা খোঙচৎতা তৌরম্বা য়াবশিংনা করিনো, পাঙথোক্লমগদবনা করি-করিনো হায়দুনা হুমা-হুমা থিরগা মখোয়শিংদুগী চানবা থৌরমশিং পাঙথোক্লম্বা হায়বসিদি মখোয়গী মচৎনি। লিশাং-শিৎনা চৎনদুনা লাক্লবনি। অনৌবা অমা নত্তে। অদুবু হন্দক্কী মহাক্কী খোঙচৎসিনা কোনশিল্লিবা মিজোরাম অমসুং অসামগা য়েংনরুরবদি মণিপুরদি য়োৎনা শোকপা হঙোইদৌনা লৈরক্লিবনি হায়বনি। মরম অসিনা হৌনবী ওইরকপা অমসুং মতম কয়াগী মমাঙদগী চৎনবী ওইরক্লবনিনা শঙ্গাবগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্লমসনু। উরেপ-উয়ুং কয়াসু তল্লমসনু। অতাবা মীয়ামগী থম্মোয়শিংবু শুস্কৎপা খোইথুম্নরবা ৱাহৈশিংসু ফোঙদোক্লম্বা ওইরসনু। অদুবু তাঙনা থোকপা তাঞ্জাসিগী খোঙচৎসিনা লানগী ৱারোইশিন খক্তবু ঈখৌ লাংলক্লিবা মীয়ামদা 'লম্বোইবদা শমচেৎ পীবা' গী থৌদৌদুদি তাহনবা চুম্লোই হায়বনি। নুংঙাইরবা অমসুং য়েংনীংবা কুম্মৈ অমা নৎত্রগা লীলা, দ্রামা অমসুং সিনেমাননচিংবা হৌরক্লনেনা ঙাইবসু নত্তনা লান লোইশিনহনবা ঙাইরকপসিবু মখা তানা ৱাংলেন মিৎকুপ অমত্তংদা ওইরবসু চোন্থফম থোকপ্রা হায়বনি। মতাংসি য়ৌরকপদা কান্থোক্লম্বা য়াদ্রিবনা অনৌবা লৈঙাক শেম্মিংবনা মখূৎ-মসা মরেং-মরেং চৎলকপদগী খোইরেল মসা পানখৎলক্লিবা মীহুৎশিংসিনি। নখোয়না লৈঙাক শেম্মিংলিবদো মণিপুরগী মীয়াম্নসু খঙই। ঈশিং অচৌবদা লৈবা নখোয়গী লুচিংবশিংনসু হোত্রোং-হোনা উবনি। মীয়াম্নসু পাল্লিবনি, দেল্লীনসু মথংগী মীখলগীদমক কৈরাক থাহৌনবা পাম্ফম থোকই। অদুবু মণিপুরগী ফীভম পূম্নমক হিংজ্রোং-কাইজ্রোংনহল্লিবা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা ফাওবদি নখোয়না চেঞ্জ-চোংজরিবদো কাঙলম চেনবনি হায়বসি কাউথোক্কনু। নখোয়দা অদুক কুইনা শিন্নবদা ওইদ্রে অমসুং করিমত্তা কান্নদ্রেনা সুইসাইদ তৌহল্লগা মমিংতগী ওইনা থল্লক্লিবনি হায়বসি হৌজিক ফমহনবীরিবা তাঙবলদুনা তাক্লবনি। ফরক্তা লাংলকখিনু। লানগী ৱারোইশিন পুরকখিসনু। অনৌবা লৈঙাক্তু কোন্না শেম্মু। তাঞ্জা-মেঞ্জা খঙউ।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৫২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্না ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

ঔৱা থোঙলেল লালথাবীনা। লৈমা সনা খোঙলেঙখিবদি। অসিনা লোইবা লৈখিদে। মাইকৈ অৱাং লাইনা পাংবা লম। অঙৌবা অঙোম হিথাবশুং সনা খরানা পামেন উয়োল সিংঙেল লৈ। শীংঙেল লৈরাং লৈপুন শানা। চোমতীঙ লম। লোইবী চীঙশাং থিঙবা মপুংয়াইদা। লৈমা সনা খোঙলেঙনা। হুয়েল লালথেংনঙৈদা চারা চোং। লালথৌয়াং। লাকচাথীনা লালঙমলে। য়োইবু মৈতৈ লৈমাবী। লোইবী থীঙপাঙমবী। হুয়েল চারাংচোং ফাবী ও। ●

## [illegible]

## [illegible]

([illegible])

[illegible] ●

# মচাশিংনা মমা-মপাবু হোমদা থম্বগী চৎনবীসিবু কনানা হৌদোক্লক্লিবনো?



মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

"ইমা-ইপা অনীদি মীৎনা উবা লাইনি" হায়বা ৱাহৈ পরেং মতেকসি পাউরৌ ওই, পাউতাক ওই মণিপুর লৈঙাক্কী প্রাইমারি স্কুলশিংগী মীতৈলোলগী অহানবা তমখৎলকপগী লাইরিক্তা শাংলবা চহী মশাঙ অমা, পাড়া ওইনা য়াওবা থেংনরকখি। অদুবু হৌজিক্তি ৱাহৈ পরেং মতেকসি অঙাংশিংগী মীতৈলোলগী লাইরিকশিংদা য়াওরিব্রা নৎত্রগা য়াওদ্রবরা হায়বদু খঙদ্রে। হৌজিক্তি অয়াম্বনা মণিপুরগী অঙাংশিংসি ইংলিসনা মীদিয়ম ওইবা ইংলিস স্কুলশিংদা অহানবা ওইনা লাইরিক তম্বগী থবকসি চত্থনখ্রবনিনা মীতৈলোলগী পাড়াসি মীতৈ ওইজরবসু ঐখোয় অহলশিংনদি খক য়েংশিল্লুদ্রে। অসুম্না হৌজিক মতমগী নহাশিংসিনা মপূন্সিগী ওইনা অহানবা লাইরিক তম্বা হৌরকপদা মথক্তা পনখ্রিবা পাউরৌ **"ইমা-ইপা অনীদি মীৎনা উবা লাইনি"** হায়বা ৱাহৈ পরেং মতেকসি ইহান হান্না তম্বীহৌদবসিদগী তৌরিব্রা, হৌজিক্কালগী নহাশিংসি মমা-মপাবু নুংশিবা অমসুং লুনা তৌবগী চাং অসুক্কী মতিক ৱাৎলি। হৌজিক্কী মতমগী নহাশিংসিনা মখোয়বু হেক পোকপীরিবা মমা-মপাবু "ওল্ড এজ হোম" দা হেক-হেক থমজিনবীবগী থৌদৌসি চৎনবী অমা ওইনা য়াম্না তোয়না চত্থনরকপা উনরি। অদুগা ৱাখল অমরোমদনা, হৌজিক মতমগী মমা-মপা ওইরিবশিং অয়াম্বনা মচাশিংবু লাইরিক-লাইশুদা হেন্না মপূঙ ফাহন্নবা অমসুং হেন্না ফহন্নীংবদগী পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা মচাশিংবু মপাল্লোমদা মহৈ-মশিন তমহনবগী থবকসি য়াম্না তোয়না চত্থনরি। অসুম্না, মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিংবু চহী নৌরিঙৈ মতম, মমা-মপা ওইবশিংগী শেগাদগী খক লাপথোকচনীংদ্রিঙৈগী তাঞ্জাদা মখোয়বু নমদুনা মপানলোমদা মহৈ-মশিন তমহল্লুবগী থবকসি লাল্লব্রা হায়বসিসু হৌজিক্তদা মমা-মপা ওইবশিং খরনা মথম্মোয়দা চিংনবা ফাওনরকপা য়াওনরি। থৌদৌসিনা মচাশিংগী মথম্মোয়দা পীক্লিঙৈদগী হৌনা মমা-মপাগা লাপথোক্লবগী হেবিট অমা ফোর্ম তৌহনখ্রবরা হায়বসিসু খন্নরকপা য়াওনরিবনি। খঙদে, হৌজিক্কালগী নহাশিংসিনা তৌরিবসি কনাগী মতৌ তম্নরিবনো?

মণিপুরদা মরাইবক থীবদগী মমা-মপা অনীমক ঙন্না লৈখিদ্রবা অমসুং মাবু য়োকপী-থাকপীনবা মীওইশিং ফরক তানরবা অঙাংশিংবু য়োকপী-থাকপীনবগীদমক চিলদ্রেন হোম নৎত্রগা ওর্ফান হাউস হায়বনচিংবশিং লীংখৎনবদি ঙাইফদনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা খরা-খরা অদুম্মক থেংনরকই। অদুম ওইনমক, য়েংশিনবীনবা অমসুং থৌগল তৌবীনবা মচা-মশুশিং অমদি মচিন-মনাওশিং কনাসু লৈত্রে হায়দুনা অহল ওইরবা অমসুং ওইরবীশিংগী লৈফম, ওল্ড এজ হোমশিংবুদি মমাঙঙৈগী মতমদদি অমত্তসু লীংখৎনৈ তানরকখিদে। তৌইগুম্বসুং ঙসিদি অহল-লমনশিংবু য়োকপী-থাকপীনবা হোমশিং হায়বদি ওল্ড এজ হোমশিংসি লিংখৎনবগী পাউশিং তত্তনা তানরক্লি অমসুং লমদমসিগী মচা-মমৌ ওইবশিংনসু মমা-মপা, মকু-মনেম ওইবশিংবু ওল্ড এজ হোমশিংদা পুদুনা হেক-হেক থমজিন্নবগী পাউশিংসু নোংম-নোংমগী মরাং কায়না তাবা ফংনরক্লি। মমাঙঙৈ লমদমসিগী মীওইশিংনা লৌ-শীং উনদুনা অমদি চীংদা কাদুনা শীংজল্লগা মশা-মশাগী ইমুং-মনুংশি ঙম্নবা পুনরিঙৈ মতমদুদনা অহল ওইরবা মমা-মপাশিংবু নোংমতসু মখোয়বু য়োক-থাকপা ঙমদ্রে, মখোয়বু য়েংশিনবীনবা লৈত্রে হায়দুনা খক হায়নদ্রগা, হৌজিক্তা মশা ইৎপা ঙম্বদগী হেন্দোক্তুনা অচৌ-অচৌবা থবকশিং তৌনরবা, তোলোপ চাউনা চানরবা অমসুং বিজিনেস তৌনদুনা শেঞ্জাও তান্নরবা মতমসিদনা মমা-মপা ওইবশিংবু য়োক-থাকপা ঙমদ্রে, মখোয়বু য়েংশিনবসু শংদ্রে হায়দুনা অহল ওইরবশিংগী থম্ফম, ওল্ড এজ হোমশিংদা চৎনবী অমগুম্না হেক-হেক থমজিন্নরক্লি। থৌদৌসিবু কমদৌরিবা হায়দুনো? থৌদৌসি কনানা ইহান-হান্না হৌদোক্লক্লিবনো? হীরমসিগী মতাংদা খন্থরুবদা পূক্লীংদা ঙকপা ফাওই। থৌদৌসিসু মতমগী মতুংইন্না ঐখোয়না চাওখৎলকপগী খুদম্নি হায়না লৌবা য়াগদৌরিব্রা? ৱাফমসিমক্তি চাওখৎলকপগী খুদম ওইহন্নীংদে।

মীওইবগী পূন্সিদা অপোকপা ইমা অমদি ইপা হায়বসি কনামতগী অনী খক শুনরল্লোই। ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা তাকপীরম্বা পাউরৌ অমা লৈ। ঐখোয়না খ্বাংশেৎ চেৎনা লাক্তুনা অমদি কোকয়েৎ চাউনা য়েৎতুনা খূৎতা চাউরবা মৈরা পায়রগা মালেমসি কোয়না শিন থুংনা থিরুরবসু ঐখোয়বু হেক পোকপীবা ইমা-ইপা অনীমকপুদি মালেমসিগী মফম অমত্তদসু অনী শুনা খক থেংনরোই। ৱাফমসি অরানবা ৱাফম অমা নত্তে। ঐখোয়বু হেক পোকপীরিবা ইমা অমদি ইপা অনীমক্না ঐখোয়বু পোকপীবা মীৎকুপ্তুদা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা অসুম্না মখোয়না সি য়ৌনা শোঞ্জিল্লক্লবা অমদি অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা মখোয়বু লৈমিন্ননীংদ্রে অমদি মখোয়বু য়েংশিন্নীংলকত্রে হায়দুনা অহল ওইরবশিংগী লৈফম, ওল্ড এজ হোমশিংদা মখোয়না হেক পোকচরিবা মচাশিং অমদি মমৌশিংদুনা থমজিনবীরক্কনি হায়বসিবু মখোয়না নোংমতা খল্লুরমগদ্রা? তাইবঙপানসিগী চৎনবীদা মমা ওইবী অমনা মপূক্লুংদা থাবুম তরা নাওপুরক্লিবা মচাদুনা তাইবঙপান্দা খোঙদারকপা ঙাইজবদা নুমিৎ কোরৌ শীংবুম চহুমলোম মপূক্লুংদা মচাগী পোৎলূম পুদুনা নাওপুজরক্লিবনি। অসুম্না মচাগী পোৎলূম পুবদা মমা ওইবী অমত্তনা মশীং থিঙমদ্রবা অৱাবা থেঞ্জাং কয়ারক্তা নোংমতসু ৱারে হায়বা ৱাহৈসি মচিন্দা খক পল্লকখিদে। মচাদুনা তাইবঙপান ফাওরল্লবা মতুংদগীসু মচাবু শারেপ ফানবা হোৎনরকপদা মমা অমদি মপা অনীমক্না লৌরক্লিবা থৌদাংশিং কয়াগী মতিক চাউখ্রবনো? শুপ্নগী মচাবু নুংশিবগী লংলাদু খক্তনা পুন্দুনা মমা-মপা ওইবা অনীমক্না মশীং থিঙমদ্রবা অৱা-অনাশিং খাঙদুনা মচাবু চাউনবা য়োক্লকখিবনি অমসুং মচাশিংগী পূন্সিগী থৌদাং খুদিংমকপুসু অমত্তা চিথ-নান্থদনা পাঙথোকপীদুনা লাকখিবনি। অসুম্না মমা-মপা ওইরিবা অনীমকপু মচাশিংগীদমক তাইবঙপানসিদা মীৎনা উবা লাইনি হায়দনীংঙাইগী মরম লৈরিব্রা? অসিগুম্বা মমা-মপাবু হৌজিক-হৌজিক্কী খুন্নাইসিদা মচা-মমৌ ওইবশিংনা লৈমিন্নবদা পোৎলূম ওইরে, অহল ওইরবনিনা ৱাই চিন্নীংঙাইনি খন্দুনা মশানা মপান ফরিঙৈদা নোংমতসু লৈজরক্তবা অহল ওইরবশিংগী লৈফম, ওল্ড এজ হোমশিংদা হেক-হেক পুদুনা থমজিনবীরুবা হায়বসিবু হৌজিক্কানগী মচা-মমৌ ওইবশিংসিগী করম্বা ৱাল্লোননো হায়বসি খনবদা লাম্বা ফংদ্রি।

হৌজিক্কী মতমদা মমা-মপাবু ওল্ড এজ হোমশিংদা থল্লগা মখোয় মশানা মমা-মপানা লৈরম্বা য়ূমশিংদুদা নুংঙাইনা লৈথোকপা ঙল্লিবা মচানুপাশিংগী ৱাখল্লোনসি করিনো? অহল ওইরবা মকু-মনেম্বু ওল্ড এজ হোমদা থমজিনবদা মমৌশিংদুনা মাবু হেক পোকপীরিবা মপামদা লৈহৌরিবা মাগী অপোকপা মমা-মপা অনীমক্তুবুসু মপামগী মবুং-মৌপ্বাশিং অমদি মনম্মা-মচন্নুপীশিংদুনা মাগী ৱাখলদুমক চেল্লমদুনা ওল্ড এজ হোমশিংদা থমখিবদসু মহাক মশামক্লসু হরাওবা ফোঙদোক্কদ্রা? হৌজিক্কালসি জাৎ-জাৎকী ৱাখলনি। অতৈদি লায়রদুনা মমা-মপা, মকু-মনেম্বু ওল্ড এজ হোমশিংদা থমখ্রগা মশাদা নুংঙাইবা ফাওরিবা অমসুং অপেনবা পোক্লিবা মচা-মমৌ অনীমক্না মখোয় মশা-মশাবুসু হয়েং অহল ওইশিল্লক্লবা অমসুং শোঞ্জিল্লক্লবা মতমদা মখোয়গী মচা-মমৌশিংনা ওল্ড এজ হোমশিংদা তোঙান-তোঙান্না থম্বীগনি হায়রকপদা মখোয় মশামক্লসু নুংঙাইবা অমসুং পেন্থোকপা ঙমগদৌরিব্রা? হংনীংবা ৱাহংশিংদি য়াম্লি। হীরমসিদা হীংনীংবা ৱাহংশিং মথং-মথং চোংথোক্লক্কনি। থৌদৌসি ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা চৎনরে হায়বসিদি তারে অদুবু থৌদৌসি তৌফম থোকপা অচুম্বা থৌদৌ অমনি হায়না লৌবদি থম্মোয়সিনা খম ঙমদ্রি। হেক পোকপীরিবা ইমা-ইপাবু মীরায়বা হায়বসিদগী হেন্না চাউবা করম্বা ফত্ত-মহয় অমমুক লৈরমখিদগে? মমৌশিংসিসুনি, মাগী নুপাবু হেক পোকপীরিবা মমা-মপা অনীমকসি মমৌ ওইরিবা মহাক মশামক্কীসু হেক পোকপীবা মমা-মপামক্লি খনফম থোক্তব্রা? মতমসিগী ঈচেলসিদদি হায়ফম অমত্তা খঙদ্রে। হায়দ-হায়জিল্লুরগসু অহলগী কৈনোনা চফু মেঞ্জরবসু, নহারোলশিংগী কৈনোনদি রোকেট শাই হায়রক্কনি। ৱাখল্লোনসিনদি খুন্নাইসি চাওখৎমিন্নবা খক ওইথোক্লোই। মতমসিগী হেঞ্জিনবা অমসুং ফত্তে খঙলবা চৎনবীশিংসি য়ারিবা মখৈদি ঐখোয় থাদোকমিন্ননবা হোৎনমিন্নবনা চুমগনি।

"ইমা-ইপা অনীদি মীৎনা উবা লাইনি" হায়বদা য়ানীংদ্রিবা কাঙবুশিংসিনা পোল্লকপা মচাশিংদুনা হয়েং করিগুম্বদা মখোয়বু মীৎনা উবা লাইমক্লি খঞ্জে হায়রকপা থোক্লবদি ঙসি য়ানীংদে হায়রিবা মমা-মপাশিংনা করি অমুক হায়গদৌরি? ঐখোয়নসু ঐখোয়বু হেক পোকপীবা ইমা-ইপাশিংদুবু মীৎনা উবা লাইমক্লি হায়না খক খল্লকখিদে, নখোয়নসু খক খল্লক্কনু হায়রুগদৌরিব্রা? লুরিবা ৱাফম্লি। চুমথোকমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোনসিমা ঐখোয় পূম্নমক্না য়ামিন্নসি। ●

# খোঙউপ নঙবু কৈদগীনো, কনানা নঙবু পুথোরকপনো? -৫



শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

ডা. লাইশ্রম ইমোবা

অদুঙৈ কুরু শিদবগী মচা ইবুংঙো অশিবনা মালেম নোংখোঙ কোইবদা করি খোঙউপপু তোংলিগবা। লাইয়াম্না খাগা ৱাংগা পানা অনী খায়দোক্লগা শগোল কাংজৈ শান্নরিঙৈদা করি খোঙয়োম্না য়োমখিজাৎনো, পোইরৈতোননা খমুং অশি-লৈবাক্তগী শিদ-নাদবা লম থিবা থোরকখিবা, চীংলোন পল্লোন লান্দুনা পোইরৈ লমদমসি য়ৌরকখিবদা মাগী খোঙবুশিংদুনা করম করম্বা খোঙকুপ তোংলকখিরমগবা; খঙমন্নসু খঙদেদকো, করম্নো!!

লাই য়েকপশিংনা, ৱারী ইবশিংনা খোঙউপকী ৱাফমদা পূক্লিং চঙবা মিৎয়েং থল্লকপা হৌরকখিবসি পোইরৈ লমদমসিদা করম্বা পুৱারীগী তাঙ্কক্তগীনো হায়বসিমা তাংদাংবা হায়বা ঙমদে। অদুম্নদি ওইরগা মীতৈশিংনা কনাগুম্বা মী অমগী ময়ূমদা চঙবা, মাঙ্গোল কাখৎপদা ফাওবা খোঙউপ, ফিনাৎ থল্লল্লগা কাখৎপা, চঙনবগী চৎনবী অমদি হৌজিকসু উবা ফংলি। মসিমক্না মতম অমদদি খোঙদা-খোঙউপনচিংবা তোপশিন উপশিনবসি কৈনো'মা ওইনা খন্নরম্ব্রা, সুম্নকাসু খল্লকই। তৌবগীবুদি জপানলোল তম্বীবা ওজা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মতম খরা লৈরমখিবা প্রোফেসর মকিনোনা হায়রম্বদসু অদুগা অঙাংশিংগী তম্ন-লাইরিক্তা য়াওবা, জপান কোয়রুবগী লমকোয় ৱারীগুম্বা অমদা থেংনবদসু মখোয়গী জপানদসু মীগী ময়ূমদা চঙবদা মখল অমত্তগী খোঙউপ, ফিনাৎনচিংবা তোংনদে হায়বা থেঙনৈ।



মহাভারতকী ৱারী লীবা ওজা অমগী ৱারী মতাংদসু খোঙউপ মপান্দা থল্লল্লগা ইমুংদা চঙনরম্মী হায়বা য়াবা মতাং থেঙনখি। মদুনা ইমুং অদুদা মীনৌ মীতোপ অমা ইমুংদুদা চঙলি-লৈরি হায়বসি খঙহল্লিবনিসু হায়।

মণিপুরগী শক্লাইরবা লাইয়েকপা অমনা থোইবীবু খম্বনা শগোল শায়াঙথক্তগী ওকপগী শক্তম য়েকপদা খম্বা নত্তনা থোইবীসু মখোঙ খোঙপাক্তা করিগুম্বী অমত্তা তোপশিন-খোৎচিনবা উদে। অদুবু চহী তরেৎ খুন্তাকঙৈগী মনুং গম্ভীরসিংহনা মলেসশিংগী মতেংনা মণিপুর লেভি হায়বা খূৎলায় পায়বা লান্মী খূৎপু অমা শেমগৎখিবগী ৱারীদা খোঙউপকী মতাংদা হকচিন্না লৌদুনা ইরম্বদি থেংনদ্রসু সিফাই হায়বদুগী য়ুনিফোর্মদা খোঙউপ হায়বসি তঙাইফদনা য়াওরমগদবা মাল্লি। মতমদুদা লোইলম শন্দোকপা বৃটিশকী লান্মীশিংদু ফর-ফরবা খোঙউপ বুট তোংই। সুম্নমক্তবু খোঙমনগী শাচ কী খূৎনাইবশিংনা ঐজ্ঞা বনমালি শৰ্ম্মগী মিৎয়েং মখাদা শাবা অচৌবা গম্ভিরসিংহগী শগোল তোংবগী মিতম (মীতৈ লানজিং পুরেলগী মিতম) অদুদা খোঙউপ বুট মানবা ফজবা অমা তোংবা উবা ফংই। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু বৃটিশকা মরুপ-মপাং ওইনা তিন্নবা হৌরকপদগী শাফম-লানফমদা খোঙউপ তোংবা/শীজিন্নবদা মওং-মরীল তারকখ্রিবজাৎলা হায়বসিমসু মওল-মওল খল্লকই।

ৱাফম অমনা খোঙকুপ/খোঙউপ তোংদুনা, খুরুম তোংদুনা চৎপদা খোঙথাং মখোল থোক্লবসি মতা অমা ওইনা শোন্নবসু য়াওরি। পূম্নমক্তবু মণিপুরী মীতৈশিংনা য়াম্না কিনা লুনা নীংজবা লাই মরক্তা অমনা অথেংবা অহিংদা খুরুম তোংদুনা চৎপগী মখোল তাই হায়বগী য়াম্না থাজবা ৱারীসু লীবিরম্বা লৈরি। মখোয়সি অফবা মীয়োক মীচান ফবা লাইনীংথৌনি হায়না থাজনরি। মতম অমা অমম অথেংদা লম্বী লমজাউদা নাইতোম তাবদগী তঙাইফদনা ময়ূমদা হনবগী লম্বীদা কিনা কিনা চৎলিঙৈ, অহল অমনা খুরুম তোংদুনা তেৎ-তেৎ চৎলগা ৱারী ফাওবা শা-শাদুনা থিনবীরম্মী। মদুম্না থিনবীরল্লিবদু মফম অদুবু কোনবীরিবা, মফমদুদা খুভম য়াদুনা লাৎচরিবা লাই অদু ওইগনি হায়না লৌনৈ/থাজনৈ। লাই অদুনা তাইবঙ মীগী শক্লোন লৌদুনা, অকিবা পোক্লিবা লম্বী চৎপদুবু তেংবাঙবিবনি হায়নরম্মী। মসিগুম্বা ৱারীসি নাগামপালদগী অরাম্বম নিত্যাইনন্দগী থৌগল চৎচরিবা অরাম্বম শাগৈগী লৈখিদ্রবা অরাম্বম ইবোপিশকনা লীবিরম্বা ৱারীদগী তাজহৌবনি। থৌওংসি মফমসি মীয়াই চল্লবা অহলশিংনা ফাওবা থাজনা হৌজিকসু অদুম্মক লৌনরি। অদুনদি থেংলবদা ভাগ্যচন্দ্রগী মতম অশ্বায়সিদসু খুরুম্নচিংবা খোঙগী খোঙউপ, ফিনাৎকুম্বসি শীজিন্নবা চৎনরম্বা য়ারে হায়বা থাজসিরা হায়বসিনি।

মরমদি নিত্যাইনন্দ হায়রিবা দেবতা অসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা কাইনা চীংদগী শ্রীশ্রী গোবিন্দ শাননবা য়াল্লুবা থৈবোং পাম্বী অদুদগী শাখিবা গোবিন্দগী মীতমশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। অদুবু হক্লিবা মীতম অসিদদি খুরুম-ফিনাৎ-খোঙকুপ্নচিংবগী মতৌ হাপ্লম্বা উদে। হোয় লাইশঙ মনুংদা শাদুনা ব্রহ্মনশিংনা লাৎলিবা হিন্দুগী দেবী-দেবতাশিং অসি, লাইকোন, লাইশঙনুংদা লাৎতুনা থৌগল চৎনগদবা ওইবনা থৌওইনা খোঙগী শরুক্তা খোঙকুপ য়াওনা হক্লম-শারমদবা মওইরিদ্রা? তৌবগীদি মীতৈ উমংলাইশিংগীসু অদুগী অদু মঙাই, লাই হরাওনবগীদমক লাইপোৎ লাঙবদা চঙলিবা, তঙাইফদবা মচলশিং অসিগী মনুংদা ঙসাইগী খোঙবাক্কী শরুক্তা থোনগদবা পোৎশক য়াওবা থেংনদে। লাইরোই নুমিৎতা তাম্বুল নুরাবী থোকপগী মতাংদা নুরাবীগী মতারোই শারিবশিং, নুরাবী অমদি তাম্বুল শারিবশিংনা পাঙথোক্লিবা থৌরমশিংদু চীংদা পাম য়ানবা, চীংদগী সনা কৈথেল কাদুনা পোৎ-চৈ লৈবা, শাংলবা চীংলম্বী ফাওদুনা লাকপগী মতৌ পাদম লাক্তুনা শান্নবদুদা খোঙদা মখল অমত্তগী খোঙকুপ-খোঙতোপ শীজিন্নবা থেংনদে, ইরম্বদসু য়াওরমদবা মাল্লি। হায়রিবশিংসি লাইনিংথৌ লাইরেম্মশিংগী লাইবুংদা, লাইমাঙদা থৌগল তৌবনিনা নৎত্রগা অহল-লমন লাইশিংনা তিল্লিবা মীয়াম মমাঙদা শান্নবা ওইবনা খোঙপাক্কী শরুক য়োমশিনহৈদে হায়বগী ৱাখল্লোনগী মওইরিদ্রা মসিমসু খল্লকই। অমরোমদনা অঙনবা মতমদা য়েক্লম্বা লাইয়েকশিংদা খোঙকুপ/খোঙউপ মখল অমা নৎত্রগা অমা ওইরবসু য়েক্লমদ্রিবসিগী মরমসিমসু ৱাখল মচাসিনা লামখৎলুবদা ফংদে। হায়নীংববুদি কয়ানি, চুনরমদ্রগা ৱায়াম্নরক্লবা ৱাকায় শুবা ওইনা থোক্লক্কদ্রা, মীপাইগনু য়াদে। পূম্নমকসিনা মরম ওইরগা মীতৈ খুন্নাইদা খোঙউপকী খোঙ্গুলসি, তোপ-তোপ্না লীজরগে। মীতৈগী ফাকথিবা কনানা লংলা-লংজিন চিংথোরকপা ওইরসনু। ●